www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

লৈখিদ্রবা সোরোখাইবম য়াইমবীবু নীংশিংদুনা সলাম য়ুঠ লন্নরস ক্লবনা শীন্দুনা চথরকখিবা ষ্টেট লেভেল ভিল্লেজ ওপন ৯ এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা এম এল এ খেমচান্দনা মৈরা চুখৎখিবা




**খ্বালতাবীগী ৱাথোক**

ঐখোয় অচুম্বা ৱায়েল পাম্মী
ঐখোয় থবক্না উখোল্লকপা পাম্মী
–অমজু, ই জি এম



ইন্দিয়ান আর্মিদা নৌনা কম্মিসন তৌরকখ্রবা মণিপুরদগী ওফিসার ৯ বু ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) না মন্ত্রিপুখ্রিগী হেদক্বার্টরদা তরান্না ওত্তুনা পুক্নীং থৌগৎখিবা

Volume No: 49 Issue: 199 | IMPHAL, THURSDAY, JUNE 26, 2025 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৩ | শগোলশেন, ইঙেনগী নোংমা পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 10 | Price: ₹ 5.50

# লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট ৪০ ফংগনি: বিরেন

**‘তম্পাক্কী সি এস ওশিংগা ৱাখল তামিন্নরে, করিসু থোইদোকপা তৌদৌ মান্দ্রে’**



ইম্ফাল, জুন ২৫ (এস এন এস)ঃ

ভারতিয় জনতা পার্টি (বি জে পি) না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা সংবিধান হত্যিয়া দিবস (কন্সটিট্যুসন মর্দর দে) গী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট ৪০ ফংদুনা কাগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা সোসিয়েল মেডিয়াদা ভাইরেল ওইরে।

সোসিয়েল মেডিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ভিডিও অদুদা হান্নগী সি এম নোংথোম্বম বিরেননা মখা তানা হায়, মীয়ামগী থৌজালদগী অহানবদা বি জে পিগী ওইনা সিট ২১ কাদুনা লৈঙাক শেমখি। সেকেন্দ টার্মদা বি জে পিনা সিট ৩২ য়ৌদুনা ফুল মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেম্বা ঙমখি। মথং লাক্কদবা ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট ৪০ ফংদুনা কাগনি।

ৱাফম অসি ফাগী নত্তে, থাজবিয়ু। বি জে পিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি খঙলবদি হয়েং কোন্না মীৎতগী পি তাগনি। মণিপুর থুগায়রিবা ময়াম অসি কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদনি। হৌজিক লোইনমক থোরক্কনি। ঐখোয় হৌজিক ঙাংদ্রি অদুবু ঙাংবগী মতম লাক্লগনি। ঙসি ঐখোয়না খাঙলিবসি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি, মীয়াম পুক্নীং হন্থবিগনু। সেন্টরনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম ময়াম অসি পোজিটিভ ওইবা খোঙথাং ঙাক্তনি। হৌজিক হৌজিক সূগী কেম্প লৌথোক্লবা হোৎনরি। সেন্টরগী লীদরশিংনসু য়াম্না কুপ্না খন্নরি। ঐখোয়দগী মখোয়না হেন্না নৈনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মাঙদা থমদুনা চথরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ঐখোয় থবক চঙশিনসি। তম্পাক্তা হৌজিক অয়াম্বা তংদু– লৈতাবা পুরক্কে। দিল্লিদগী হল্লক্লবা মতুংদা তম্পাক্কী সি এস ওশিংগা ৱাখল তামিন্নরে, করিসু থোইদোকপা তৌরক্কদৌবা মান্দ্রে। হৌজিক সেন্টরনা নেসনেল হায়ৱে হাংদোক্লবা থবক য়াম্না কন্না পায়খৎলক্লি। মসি হেক হাংদোকপগা পোপুলর গৱর্ণমেন্ট অমা শেম্লক্কনি হায়বা থাজে। মদু হেক শেম্লক্কপগা মথংগী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগীদমক ঐখোয় অমতা ওইনা পূনশিন্দুনা কেম্পেইন চৎমিন্নসি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া অমা খুমাঙ চাউশিন্না পায়খৎলম্মী।

শোঙখরবা আর্টিষ্ট, অৱা–অনা তারবা লৈত–লায়রবা কয়াগী থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎতুনা য়ূম য়ূমদা য়ৌহনবনি ...মখা লমায় ৭তা...

# ষ্টেটকী থাক্তা কন্সটিট্যুসন এসাসিনেসন দে পাঙথোকখ্রে

# কন্সটিট্যুসন কনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাংনি: ভিবেক কুমার

ইম্ফাল, জুন ২৫ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অমম্বা তাঙ্ককনি হায়দুনা লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ‘কন্সটিট্যুসন এসাসিনেসন দে’ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।



নীংতম্বা অমদি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী ইথৌদাংনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরী (ফাইনান্স) ভিবেক কুমার দেৱাংগননা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) কী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা ‘সম্বিধান হত্যিয়া দিৱাস’কী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভিবেক কুমারনা হায়, কুমজা ১৯৭৫কী জুন ২৫দা লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি থমজিনখিবনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা কাঙলোন কয়া নমহৎখিবদা নত্তনা মীওইবা অমনা ফংফম থোকপা নীংতম্বগী হক কয়াবুসু মাঙহনদুনা এগজিক্যুটিভ পাৱর পুন্না সেন্ট্রেলাইজেসন তৌখি। মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা হকশিং মৎপদা নত্তনা মহৈরোইশিংগী লুচিংবশিং, সোসিয়েল এক্টিভিষ্টশিং, পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিং, জর্নেলিষ্টশিং ফাবা পুনবনচিংবা কা হেনবা থৌওং কয়া অমসু চথখি। খুন্নাই অসিগী খ্বায়দগী মরুওইবা মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা হকশিং ওইরিবা প্রেসকী নীংতম্বগী হকপুসু সেন্সরসিপনচিংবা কয়া চথদুনা থমখি।

মহাক্না হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা চহী খূদিংগী জুন ২৫বু কন্সটিট্যুসন এসাসিনেসন দেনি হায়না পালন পাঙথোক্লবা কুমজা ২০২৪গী জুলাই ১১দা লাউথোকখিবনি। লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা অদু ঙসিদি চহী ৫০ মপুং ফারক্লে। থা ২১ রোম লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি থমজিনদুনা চথখিবা থৌওংশিং অদুবু ঙসিসু দেমোক্রেসি চৎপা নীংতম্বা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অমম্বা তাঙ্কক্লি হায়না লৌদুনা লাক্লি। নুমিৎ অসি পালন তৌরিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি পুৱারীদা শোয়খিবশিং অদু অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্তনবগীদমক পাঙথোক্লিবনি।

শোয়খিবা কয়া অদুদগী তমদুনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা দেমোক্রেসিগী ভেল্যুশিং অমদি কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা কাঙলোনশিং ...মখা লমায় ৭তা...

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মায় পাকপা হায়বসি মতম চঙবনি কৈদৌনুংদা তোকথোক্নু

## প্রিপাক (প্রো)গা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, জুন ২৫ঃ থা অসিগী ২৪ দা মণিপুর পুলিসনা প্রিপাক (প্রো) গী এক্টিভ কাদরনি হায়না ফারে হায়রিবা লিৱা রোদ অহোংশাংবম লৈকাইদগী থৌদাম জোনজেক্সন সিংহ এলাইজ জোন এলাইজ হেমজিৎ (৪২) অসি ঐখোয়গী পার্টি অমদি লান্মী শঙলূপ ফিঙাং লান্মীগী হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরী এল নীংশিংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মীচম মীয়ামবু হেক্তা ফারগা মরাল পীশিনবগী হৈনবী লায়চুরবা মণিপুর পুলিস অমদি আই ও এফশিংগী থবক থৌরমদগী মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবিয়ু হায়না চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

## য়ূম্ফম য়াওদবনি: য়ু এন এল এফ (পি)

ইম্ফাল, জুন ২৫ঃ পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ–পি) গী সেন্ত্রেল কম্মিটি মেম্বর (সি সি এম) সিনাম পনখৈ এলাইজ সোমেন্দ্রো থাংমৈবন্দবু ঙরাং মণিপুর পুলিসনা আর্মস স্মগল্লরসগী মরাল শীজিন্দুনা ফারে হায়রিবা অসি মণিপুর পুলিসকী শেমজিন শাজিনবা য়ূম্ফম য়াওদবনি, অরানবা প্রোপেগন্দানি হায়না পার্টি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদুকেসনগী দাইরেক্তর চরাইরোংবা থোকচোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, সি সি এম পনখৈদগী ফাগৎলি হায়রিবা স্মোল আর্মশিং অদুদা য়াওরিবা স্মাইথ এন্দ ৱেসন ৯ এম এম পিষ্টোল, স্মাইথ এন্দ ৱিসন পিষ্টোল, সিগ সৌয়র ৯ এম এম পিষ্টোল, গ্লোক ১৯ পিষ্টোল, খূৎলায় ৪ অসি পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খূৎয়েক পীনদুনা চৎনরিবা পীছ এগ্রিমেন্ট (এ মুচুয়েল সীছ ...মখা লমায় ৭তা...

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## লোইরেদনা

করিগীনো লানসিবু স্বাইদা য়ৌহন্নিংলিদুনা!



অদু ওইরদি পূরুবগী, শোৎলুবগী, লোনগী ময়ামসে লোইনা কোক্লেদনা!

# শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবা টেক্সটাইল পার্ক অমা শাননবা থবক পায়খৎলে: অনুরাগ বাজপায়



ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী ৱিভরস খুদিংমক কোনশিন্দুনা শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবা পান্দমদা টেক্সটাইল পার্ক অমা ইম্ফালদা শানবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না লৈঙাক অসিগী টেক্সটাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী এদিস্নেল সেক্রেটরী অনুরাগ বাজপায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী মখাদা মণিপুরগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নম্বোল খোংনাংখোঙ্দা লৈবা এপেরেল এন্দ গার্মেন্ট মেনুফেকচরিং সেন্টর (এ জি এম সি) দা ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। মিনিষ্ট্রি অসিগী সমরাথ স্কিমগী মকাদা ইন্দিয়া পূম্বদা লৈরিবা ফিশাবীশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা চথরকপা স্কিম অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদসু ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

অনুরাগ বাজপায়, হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন অমসুং ৱীভরস সর্ভিস সেন্টর ...মখা লমায় ৭তা...

# লাঞ্জেন্নরিবশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা ইরাং লোইশিল্লি হায়বা য়ারোই: বিমোল অকোইজম

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই দি পি) শিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিল্লে হায়বা য়ারোই হায়না লোক সভাগী এম পি ডা অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।




বিমোল অকোইজমনা লোক সভাগী মেম্বর ওইবা চহী ১ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা অকাম্পাৎকী আইদিয়েল গার্লস কোলেজগী রিলিফ কেম্পদা ঙসি পাঙথোকখিবা অনা–লায়েংবগী কেম্পদা শরুক য়াখিবদা বিমোলনা মখা তানা হায়, লোক সভাগী মেম্বর ওইরকপা অসি ঙসি চহী ১ মপূং ফারে। এম পি ওইরকপা চহী ১ মপূং ফারকপা অসিদা ডোক্তর খরা পূনশিন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগীদমক হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকপনি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিং ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবা মথৌ তাই।

মখোয়গী অৱাৎ–অপা ঐখোয়না মতম মতমগী হংবা চঙই। মখোয়বু ঐখোয়না খক কাউথোকফম থোক্তে। মহাক্কী মায়কৈদগীসু এম পি অমা ওইনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মখোয়গীদমক য়াইফনবা হোৎনরি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগী মতাংদা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা ৱাফম কয়াসু পুখৎতুনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা ...মখা লমায় ৭তা...

# ফিজিকেল নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক ফোর্মদা পুথোকপা য়ারগনি: মাইকেল

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী কুমজা ২০২৮ গী নবেম্বর ২ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন ভাইদ সি এস আর ১০৮(ই), সেন্ত্রেল মোটোর ভেহিকলস (ফারতিন্থ এমেন্দমেন্ট) রুলস, ২০১৮ অমদি রুল ১৩৯ গী মতুং ইন্না কনাগুম্বা গাড়ী মপু, ড্রাইভর কন্দক্তরশিংনা গাড়ীগা মরী লৈনবা চে–চাংশিং অদু ফিজিকেল নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক ফোর্মদা পুথোকপা য়ারগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট সেক্রেটরী মাইকেল অচোমনা ঙসি ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোকখ্রে।

ট্রান্সপোর্ট সেক্রেটরী মাইকেল অচোমগী ওফিস মেমোরেন্দম অসিদা মখা তানা হায়, কনাগুম্বা গাড়ী মপুনা নৎত্রগা গাড়ীগা মরী লৈনবশিংনা গাড়ীগী চে–চাংশিং হায়বদি রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট (আর সি), ড্রাইভিং লাইসেন্স (দি এল), ইন্সুরেন্স দোক্যুমেন্ট, ফিটনেস সার্টিফিকেট, পি য়ু সি সি, পার্মিটস য়াওনা অতৈ দরকার ওইবা চে–চাংশিং অদু ইলেক্ট্রোনিক ফোর্ম নৎত্রগা ফিজিকেল ফোর্মদা পুথোকপা য়ারে। .মখা লমায় ৭তা...

# মীওই ১৮ নৌনা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইদুনা পূন্না ১৮৯ শুরে

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ১৮ নৌনা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা অপূনবা মীশীং ১৮৯ শুরে। ঙসিগী ওইনা মীওই ৫৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনদুনা পোজিটিবিটি রেট চাদ ৩০.৫ য়ৌরে।

ঙসিগী ওইনা বিষ্ণুপুরদা সেম্পল ১, চান্দেলদা সেম্পল ১, ইম্ফাল ইষ্টতা সেম্পল ৭, ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেম্পল ৪২, ককচিংদগী সেম্পল ১, থৌবালদা সেম্পল ৪, উখ্রুলদা সেম্পল ৩ টেষ্ট তৌবদা পূন্না মীওই ১৮ অসি পোজিটিভ ওইরকখিবনি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদকী এক্টিভ কেস ১৫২ লৈরি।

হৌজিক ফাওবা ষ্টেট অসিদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ১৩১ য়ৌদুনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী খ্বাইদগী ৱাংনা লৈরি। মসিগী মতুংদা ইম্ফাল ইষ্টনা ৪৩, থৌবালনা ৭, বিষ্ণুপুরনা ৪, তেংনৌপলনা ২, চান্দেল অমসুং ককচিংনা ১ কোভিদ পোজিটিভ ওইরি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদকী লায়চৎ শন্দোরকপা অসিদা মীশি–মীনা থোকপগী রিপোর্টতি লৈত্রি।

# জেনিমসকী অনা–লায়েংগী লমদা খুদোংচাদবা থেংনরিবশিং কোকহন্নবা য়েংশিল্লি: ওঠোরিটি

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

ষ্টেট অসিগী অমতা ঙাইরবা মেডিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা অনা–লায়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংনা মতম মতমগী ওইনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না হোস্পিটাল অসিগী ওঠোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।




হীরম অসিগী মতাংদা জে নিমস ওঠোরিটিদগী ফংবা পাউনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্কী অমতা ওইরবা মেডিকেল ইন্সটিট্যুট ওইরিবা জে নিমসতা লায়েংবা লাকপা অনাবশিংনা থেংনরকপা খুদোংচাদবশিং মতম মতমগী ওইনা ওঠোরিটিনা য়েংশিন্দুনা খুদোংচাদবশিং কোকহন্দুনা লাক্লি। জে নিমস ওঠোরিটিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা খ্বাইদগী ফবা ...মখা লমায় ৭তা...

## হেক্তা হায়জিনবা

## শিনফম অমরা

শিনফম অমনি হায়সিরা
দোনেসননি হায়সিরা
তেংবাঙ নিবনি হায়সিরা
দিমান্দ তৌবনি হায়সিরা
লৌফম থোকপনি হায়সিরা
কৌনিংবা মমিং কৌগেরা
খরা কিগন্দবা কাঙবুনা
খরা কিগনবা কাঙবুদা
কিহ্নন–খংহন তৌরগা
লৌবা য়াবা লৌবসি
শিনফম অমনি হায়সিরা
খুন্নাইগীদমক্তনি হায়সিরা
লৈবাক্কীদমক্তনি হায়সিরা
শেম্থোক লম্বীনি হায়সিরা
শেম্থোক চাথোক লৈনদ্রবদা
শুফম চাফম খঙলক্ত্রবদা
চথোক চৎশিন য়ারক্ত্রবদা
অঙম্বনা ঙমদবদৈ লৌবা
কিগন্দবনা কিগনবদৈ মুনবা
শিনফম অমনি হায়সিরা।

# ফৌদি হুনবগী অনৌবা খূৎলায় চাংয়েং তৌবদা মায় পাকপা ঙম্লে

**অনৌবা খূৎলায়সিনা লৌমীদা কান্নবা ফংহল্লগনি: নন্দশ্যাম**

*জেমস হৈস্নাম*

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নাচৌ খুলদগী লাইশ্রম নন্দশ্যাম মীয়াম্না অফা লাই হায়না শকখঙনবা লৌমী অসিনা লৌবুক্তা ফৌ হুনবগী অনৌবা খূৎলায় অমা পুথোক্তুনা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌবদা মায় পাকপা ঙম্লে।



অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লৌউ–শিংউগী লমদা অফবা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা য়াম্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদুনা লৌমীশিংনা মায় পাক্লা মহয়–মরোং পুথোকপা ঙমখ্রবসু মণিপুরদদি অদুগুম্বা টেক্নোলোজি অদু য়ৌরক্লবা হোৎনবদা শেল য়াম্না চঙবনা মরম ওইদুনা মণিপুরদদি লৌমীশিংনা অদুগুম্বা মেছিনশিং শীজিন্নবা ঙমদ্রি।

মণিপুরগী লায়রবা লৌমীশিংগী ওইনা লৌউ–শিংউগী লমদা য়াম্না কান্নবা অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়নন্না অতোপ্পা লমগী মীওইশিংনা শেল চঙনা শাদুনা পুথোকপা ফৌ হুন্নবা মেছিন অদুগুম্বগী মতৌ খরা লৌদুনা অফা লাইনা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন শীজিন্নদুনা মণিপুরগী লায়রবা লৌমীশিংনা মতম চঙহন্দনা, য়াম্নসু ৱাদনা নুপীনা ফাওবা য়াম্না লায়না শীজিন্নবা য়ারবা অমদি ফৌনচিংবা মরু–মরাংশিং হেন্না চঙহন্দনা ফৌ হুনবা য়ারবা মখলগী অনৌবা মেছিন অসি পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। নন্দশ্যামনা হোৎনদুনা লাকখিবা অদু লৌবুক্তা চাংয়েং তৌদুনা মায় পাক্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিগা হকথেংননা চৎতুনা অফা লাইগা উন্নরুবদা মহাক্না হায়, ফৌ হুনবগী মেছিন অসি অতোপ্পা লমগী মীওইশিংনা শাদুনা শীজিন্নবা থেংনবদগী মখোয়গী মতৌ খরা লৌরগা মণিপুরগী দুকানশিংদা ফংবা পোৎলমশিং অমসুং য়ূমদা লৈবা পোৎলম খরা শীজিন্নদুনা শেল য়াম্না চঙদবা মওংদা পুথোক্লবা হোৎনরকখিবনি। মহাক্না শেম্লিবা খূৎলায় অসি অহানবা ওইনা মহাক্কী লৈকাইগী মচন থোকপী অমনা মহাক্কী লৌফমদা চাংয়েং তৌগে হায়রকপদগী চাংয়েং তৌবদা মায় পাক্লে। অদুনা কনাগুম্বা লৌমীশিংনা মেছিন অসিগী মওং মতৌ অসিদা হেন্না ফবা নুংঙাইগদবা ...মখা লমায় ৭তা...

# লৌমীশিংদা য়ুরিয়া য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫(এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং লৌশাল, লাল্লুপ, লোয়া লূপ অমসুং অম্পফানচিংবনা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শবুংখোক, শওমবুং লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা লৈঙাক্না পীবা মমলদা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া অমদি ফৌদি য়েন্থোকখ্রে।

য়াইঙংপোকপী অমসুং শবুংখোক্কী লৌমীশিংদা ফৌদি অমদি য়ুরিয়া ফংহন্নবা থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তর পিটর সলাম, লাল্লুপকী প্রিসিদেন্ট এ বি এলাংবম, এগ্রিকলচরগী নোদল ওফিসার সুবাসনচিংবনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তর পিটর সলামনা হায়, ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা চীংখোঙ চীংয়াদা লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা লৌমীশিংদা ফৌদি অমদি য়ুরিয়া অহোংবা মমলদা ফংহনবনি।

লৈঙাক্না লেপ্পা মমলদা ফৌদি কে জি ১ দা লুপা ৬ অমসুং য়ুরিয়া বেগ ১ দা লুপা ২৭০ দা ফংহনবনি। লৌমীশিংনা ৱারবসু ৱানা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। চিঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইহনসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লাল্লুপকী প্রিসিদেন্ট এ বি এলাংবমনা হায়, চীংখোঙ চীংয়াদা লৈরিবা লৌফমশিং লৌমী লূপশিংনা লৌ উবা য়াহন্নবা অঙম্বা থৌরাং লৌদুনা লাক্লি। মদুগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী চীংখোঙ চীংয়াদা ...মখা লমায় ৭তা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউ ওইনা 7005168053 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9856120319 দা পাউ পীবিবা য়াগনি